ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ২২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৭৭শুবা মশীং

# ভোটরশিংসি করি ওইনা উবনো

## হন্দক্তি অমুক হন্না পঙথহন্নীংদে

লৈবাকসিদা লৈরিবা, পাঙথোক্লিবা মীখলগী মশীংসি ওন্থোক্না য়ামখ্রে। লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা 'হাওস ওফ দি পীপলস' ওইরিবা রাজ্য সভা, মসিগী হেক মখাদা থংননা লৈরিবা লোক সভা অমসুং ষ্টেটশিংগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী মীখল, ষ্টেটশিং অদুগী অর্বান অমসুং রুরেল বোদিশিংগী মীহুৎশিং খনবা ফাওবদা মান্নদবা, খেন্নবা মীখল কয়া মরোল-মরোল লৈরি। হায়রিবা মীয়ামগী বোদিশিংনি হায়রিবশিং অসিগী মনুংদসু বোদিশিং অসিগী প্রেসাইদিং ওফিসরশিং, মখোয়গী দেপ্যুটিশিং, বোদিশিং অসিগী তোঙান-তোঙানবা কম্মিটিশিংগী মকোক থোংবা থৌপুবশিং অমদি মেম্বরশিং খনবা ফাওবগী থবকশিং ফাওবদা মীখলশিং পাঙথোকই। মীখলশিংসি হৌজিক লৈবাকসিদা চৎনরিবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি অসিগী মনুং চনবা লৈঙাকলোনসিগী মচৎশিংনি। অদুবু মীখল হায়রিবশিং অসিগী অরোইবা পান্দম অমসুং পন্থুংনা মেজোরিটি হায়বসিনি।

মরম অসিনা লৈরিবা মীখল ময়ামসিগী মনুংদগী হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম্না তেল্লবা কুমজা ২০২২গী মার্চ ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা থা খরসিগী মনুংদা মায়োক্নরগদৌরিবনা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সননি। ইলেক্সন অসিগা ইরোয়ননা পাঙথোক্লবা য়ারিবা ষ্টেটসিগী অতৈ মীখলশিংনা মতম লোইখ্রবসু হৌজিক পাঙথোক্তুনা লৈরক্লিবা মণিপুরগী অর্বান লোকল বোদি (ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল) শিংগী অমসুং চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) শিংগী মীখলশিংনি। লোকল বোদিশিং অসিগী পাঙথোকফম থোক্লিবা মীখলশিং অসিসু পাঙথোক্লগদবা অনৌবা এসেমব্লি মীখলসিগা তুনা পাঙথোকমিন্নগদ্রা নৎত্রগা পাঙথোকমিন্নরোইদ্রা হায়বদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওইবা ৱাফমনি। পূন্না পাঙথোকহৌবদা খুদোং চাগদবা ওইরগনা পাঙথোকহৌবা য়াই। খুদোং চারোইদবা ওইরগনা এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা কোন্না পাঙথোকপা য়াই।

অদুবু পূন্না পাঙথোক্তবা নৎত্রগা পাঙথোকপা হায়বসিনা তোঙান্না থমখ্রগা মীখলসিদা হকথেংননা চংলিবসি মীরেপ অমসুং মীয়াম ভোটরশিংনি। অনীসিদি মীখলগী মখল পূম্নমক্তা তঙাইফদনা চঙবা মরু ওইবা পোৎচংনি। পোলিটিকেল পার্টি হায়বদুনা মীরেপশিং অদুগী স্পোন্সর বোদি নৎত্রগা ওর্গনাইজেসনগী ৱানি। অদুবু কনাগুম্বা মীরেপ অমনা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তদা এফিলিয়েসন তৌদ্রবসু মশা মথন্তা মরোমদোম ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা চোংথোকচবা য়াই। মীখল থেংনবা য়াই। অদুবু মীখলগী মরু ওইবা মচাক অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা ভোটর মীয়ামদা হৌজিক ফাওবদা পাঙথোরক্লিবা অদুগা অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্কদবগী নকশিল্লক্লবা মতমসিদদি হংহৌদবা য়াদবা ৱাহং অমা হেক্তা চোংথোরকই। ৱাহংসি হন্দক খক্তা থোরকপা নত্তে। মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদসু থোকখি। অদুনা হন্দকসু থোরকপনি - মীরেপ ওইগদৌরিবশিং অসিনা ভোটর মীয়ামসিবু করি ওইনা উবনো?

ৱাহংসিগী পাউখুম পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী নৎত্রগা মীরেপ ওইগনি হায়দুনা চোংথোরক্লবশিংদগী খুন্নকপা চুল্লোই। মখোয়না খুন্নকপসু পামদে। মরমদি মখোয় মশা মশাদি মীয়ামগী পাউখোল্লোইনি, সোসল ৱার্করশিংনি হায়দুনা থোরক্লবনি। চিনবানদা লাংবনগী খোইহি তৈশিনখিবদগী মখোয়গী মচিন্দগীদি ফজবা, অথুম্বা অমসুং নুংশিবা ৱাহৈ ঙাক্তা থোরকপা হৌখ্রবনি। মখোয়দগীদি নাকল অমত্তগী ওইবা ৱাফম/ৱাহৈশিং ঙাক্তা থোরক্লগদবনি। মসি ওইরগদি ৱাহংসিগী পাউখুম অসি মীখলসিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা ভোটরশিংনা খুম্বনা চুন্নোইদ্রা? মরমদি মীখল পাঙথোকপদা মশীং য়াম্না ভোট থাদবা/থাদদবা হায়বদুনা অমনি। কন্সটিট্যুসন অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পীপলস এক্টকী মখাদা পীবা অয়াবগী মতুংইন্না ভোটরশিংনা ভোট থাদদবদি য়াররোইদবনি। মহাউ তংলবা, মশক শিৎ-নান্না খঙলবসু মহুৎ শিনগদবা অতোপ্পা পার্টি লৈত্রবদি মাঙদা তারিবা পার্টিশিংগী মীহুৎশিংদা পীবা তাবনি। ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ থোরক্লগনা মীদুগী মরমদা ময়েক শেংনা খঙহৌগদবনি। অদুম ওইনমক মীরেপ ওইগনি থোরক্লিবশিং অসিনা ভোটর মীয়াম্বু কোবি-হঙ্গাম লৈবদৌনা পুল্লপ-পুল্লপ লৈননবা/লৈবা য়াননবা থৌরাং-থৌশিল চথনরকপা য়াওরকপনা মীরেপ ওইগদৌরিবশিংনা ভোটরশিংবু করিনি হায়না উবনো হায়বসি হংদবা য়ারক্তবনি। ৱাহংসিগী পাউখুম পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসিদা পীহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১) *''তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোল্লমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।''* শৈরেং অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) *''শৈরেংগী খুঙ্গং''* হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

৩) *''বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস'* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি *''পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক''*হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো?

৫) *''খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরু সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।''* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিএন্টশিং থোরকপা : ভেক্সিন কাপকদ্রা নৎত্রগা কাপ্লোইদ্রা?

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদা হান্না ইতা তারমদবা ৱাহৈ অমা য়াম্না তোয়না তারক্লি, ৱাহৈসিবু মুন্না খঙবা মীগী মশীংদগীদি ইখঙ খঙদবা মীগী মশীংনা য়াম্না হেল্লম্বা য়াই। ৱাহৈসি অতৈ করিসু নত্তে : *ভেরিএন্ট* হায়বসিনি। করিগুম্বা সেল অমগী দি এন এ সিক্বেন্সতা অহোংবা থোরকপদগী হায়বদি জিনেটিক ম্যুটেসননা মরম ওইদুনা হান্না লৈরম্বা সেলদুদগী খজিক খেন্নবা, নৌনা শেল্লক্লিবা সেল অদুবু ভেরিএন্ট হায়রগা খঙনৈ। পেন্দমিক অসিদগী খজিক্তং নাথৈরগা, ইভোল্যুসন হায়বসিসু অনৌবা ভেরিএন্টশিং শেল্লকপদগী ওইরক্লিবনি: পি মরূ (এগ) নৎত্রগা পা মরূ (স্পর্ম) গী সেলশিংদগী শেল্লকপা ভেরিএন্টশিংনা ইভোল্যুসন থোকহল্লি। মতৌ অসুম্না ভেরিএন্টসি কান্নবা ওইবা য়াই। অদুবু মসিগী ফত্তবা মায়থোঙদি: নোর্মেল সেল অমদা জিনেটিক ম্যুটেসন থোকপদগী কেন্সরগী সেলশিং শেল্লক্তুনা কেন্সরনা নাহল্লকপা য়াই অদুগা পেন্দমিক অসিদনা দেল্টাগুম্বা অনৌবা ভেরিএন্টশিংনা মী অমদগী অমদা শন্দোকপা অমসুং অনাবশিংদা শাথীবগী চাং হেলহল্লি।




কোরোনাভাইরসনা RNA শীজিন্নদুনা ইনফোর্মেসন তুংশিল্লি, অমসুং মদুগী জীনেটিক কোদতা থোকপা অহোংবা মচা অমনা অনৌবা ষ্ট্রেইনশিং শেল্লকই

কোরোনাভাইরসকী ভেরিএন্ট কয়ামুক তেনখ্রবা চহী অমা মখায়মুক্কী মতমসিদা থোরকপসিনা মীয়ামদা হেন্না মীপাইবা পোকহল্লক্লি। সোসল মীদিয়াবু শীজিন্নবা মীগী মশীংসি ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলকপা অমসুং সোসল মীদিয়াদা চমন্নবা পোকহনবা ৱাফমশিং শন্দোরকপগী চাংসু হেনগৎলকপনিনা মীওই কয়া অমদা মীপাইবা পোকপগী চাংসু হেনগৎলক্তবা নত্তে। চৈরক অসিদা, অহানবা দোজ অমসুং অনীশুবা দোজগী ভেক্সিন কাপখ্রবা মীশিংসি অনৌবা ভেরিএন্টশিং অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমদে হায়নবসু য়াওরক্তবা নত্তে। ভেক্সিন কাপ্পসিদা থাজদবা অমসুং অকিবা পোকপা মী কয়াসু লৈরি। অদুনা হৌজিক ৱাহং খরা থোরক্লে : কোরোনাভাইরস অমসুং মসিগী ভেরিএন্টশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ভেক্সিন কাপকদ্রা নৎত্রগা কাপ্লোইদ্রা? ভেক্সিন অসিনা কোরোনাভাইরস অমসুং মসিগী ভেরিএন্টশিংদগী ঙাকথোকপা ঙন্ব্রা?

কোরোনাভাইরসকী ভেরিএন্টশিংসি মতৌ করম্না থোরকপগে হায়বগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্গকী প্রোফেসর ওফ মাইক্রোবাইওলোজি এন্দ মোলিক্যুলর জিনেটিক্স, Vaughn Cooper অমসুং য়ুনিভর্সিটি অসিগী প্রোফেসর ওফ ইপিদেমিওলোজি, মেদিসিন এন্দ ইনফেক্সিয়স দিজিজেজ এন্দ মাইক্রোবাইওলোজি, Lee Harrison না হৌখিবা চহী অমা মখায়সিদা কোরোনাভাইরসনা মতৌ করম্না তোঙান-তোঙানবা ম্যুটেসনশিং/ভেরিএন্টশিং থোরকপগী মরমদা খঙবা ঙম্লকখি।

ভাইরস য়াওনা, জীব খুদিংমক্কী ওইনা, জিনেটিক কোদপু কোপি তৌবা হায়বসি চাবোকপা (রিপ্রদক্সন) গী তঙাইফদবা অমনি - অদুবু থৌওং অসি করিগুম্বা মতমদা মপূং ফাদবা ওইরকই। কোরোনাভাইরসশিংনা মখোয়গী জিনেটিক ইনফোর্মেসনগীদমক আর এন এ শীজিন্নৈ, অদুগা আর এন এ কোপি তৌবসিনা দি এন এ কোপি তৌবদগী হেন্না শোয়নবগী মরম অমা ওই। কোরোনাভাইরসনা রেপ্লিকেট তৌরকপা মতমদা, কোপি তৌরক্লিবা ভাইরসশিংগী চাওরাক্লা ৩%দি রান্দম ইরর লৈ, মসিবু অতোপ্পা অমরোমদা ম্যুটেসন হায়না খঙনৈ। কনাগুম্বা অমদা ইনফেক্সন অমা থোকপা মতমদা মীদুগী হকচাং মনুংদা ভাইরস মিলিয়ন কয়ামুক পুথোরকই, অদুনা ম্যুটেট তৌরবা কোরোনাভাইরসশিং পুথোরকই। অদুম ওইনমক, ম্যুটেট তৌরবা ভাইরস কয়াদি ইনফেক্সন অদুবু থোকহল্লিবা ষ্ট্রেইন অদুগা মান্নবা য়াম্না য়ামখ্রবা ভাইরসশিং অদুনা মাঙহনখি। অদুগা ম্যুটেসনশিংগী অয়াম্বদি খুদোংথিনীংঙাইসু ওইদে; মখোয়সিদগী খরনা ভাইরসনা তৌরিবা মথৌদা অয়েৎপা পীদে, অদুবু লেমহৌরিবশিংদুনদি ভাইরস অদুবু মাঙহল্লি। খজিত্তং হোংখিবা অসিনা ভাইরস অদুবু হেন্না ইনফেক্সিয়স ওইহল্লি, অদুবু অসিগুম্বা ম্যুটেন্টশিংসি মরাইবক ফরবা ঙাক্তনি। অনৌবা ভেরিএন্ট অমা ওইরক্লবগীদমক অনৌবা মী অমদা চংখি অদুগা রেপ্লিকেট তৌরক্তুনা কোপি কয়ামুক পুথোরকই।



রান্দম ম্যুটেসনশিংদগী শেল্লকপা ম্যুটেন্টশিংনা ভেরিএন্ট ওইরক্তুনা মীদা শন্দোরকপগী চাং নেম্মী হায়না তাকপা

ম্যুটেসন অয়াম্বনা ভাইরস অদুদা থোইদোকপা অহোংবা থোকহন্দে, অদুবু খরনদি কোরোনাভাইরসনা মী অমদগী অমদা শন্দোকহনবগী চাং হেনগৎহল্লি। করিগুম্বা মফম অমদা থুনা শন্দোরক্লিবা ষ্ট্রেইন অমনা কোভিদ-১৯ কেস মশীং য়াম্না লৈহল্লবদি মসিনা মী অমদগী মী অমদা শন্দোকপগী চাং হন্থবা ষ্ট্রেইনশিংবু নমথদুনা থমখি অদুগা দেল্টা ভেরিএন্টকুম্না, অনৌবা ভেরিএন্ট অমা শেল্লকই।

মালেম শিনবা থুংনা দেল্টা ভেরিএন্ট শন্দোরকখ্রে, অদুগা মথংদা থোরক্কদবা ভেরিএন্টশিংগী মশীংসু হান্নদগী হেনগৎপা হৌখ্রে। হৌজিক ঐখোয়গী পান্দমসিনা ইনফেক্সনশিংবু থিংবা ওইবা তারবদি, ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসিনা অমত্তা ঙাইরবা পাউখুমনি হায়না থিজিল্লোয় অনীসিনা ফোঙদোক্লি। ভেক্সিন কাপ্লবা মীদফাওবা দেল্টা ভেরিএন্টনা নাহনবা ঙমজরবসু ভেক্সিন কাপত্রিবা মী অমদা নাবদগীদি নাবগী মতম তেল্লি, শাথীবগী চাংসু হন্থৈ। ভেক্সিন কাপ্পসিনা ম্যুটেট তৌরবা ভাইরসশিং থোরকপা য়াবগী চাং হন্থহল্লি।

মালেম অসিনা ইনফেক্সনশিংগী মশীং হেনগৎলকপা অমসুং ম্যুটেন্টশিংগী মশীং হেনগৎলকপা অনীসিগী মরীসি হান্ননা থেংনখ্রবনি। পেন্দমিক অসি লাকশিনবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি কোরোনাভাইরস অসিনা অদুম লান্দাশিল্লকখিগনি। অদুগা ভেক্সিন কাপথোক্তুনা ইনফেক্সনগী মশীং য়াম্না হন্থরকপা মতমদদি জিনেটিক কোদনা ম্যুটেট তৌবা ঙম্বগী চাং য়াম্না হন্থরক্কনি। মসি নৎত্রবদি ইনফেক্সননা খুদুম চল্লক্তুনা ভাইরসতা ম্যুটেসনশিং থোক্তুনা শক্তি লৈরবা ভেরিএন্টশিং পুথোরক্কনি। অদুনা অনৌবা ভেরিএন্টশিং পুথোরকপা থিংনবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বৈদি মখোয়না শন্দোরকপসি থিংবনি, অদুগা মদুগী মতিক চারবা পাউখুমদি ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসিনি। ●

# বর্লিন ওলিম্পিক অমসুং হিটলর (১৯৩৬) # ৫

- লৈশাংথেম অজিৎ -

অমেরিকাগী টিমনা বর্লিন্দগী ময়ূমদা হল্লকপদা ন্যু য়োর্ককী মীয়াম্না জে সী ওৱেনসপু য়েংনীংদুনা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই লিশীং-লিশীংনা পরেং শানা লম্বীদা মহাকপু ওক্লম্মী। মহাক্কী লৈফম ক্লিভলেন্দদসু অসুম্না মহাকপু ওক্লম্মী। অদুবু য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট ফ্রাঙ্কলিন-দেলেনো রুজভেলটনদি মহাকপু উননবা চেবাউ পীরমদে অমসুং মহাক্না মায় পাকপগী হরাউবগী চেরোল অমা ফাওবা ইদুনা প্রসিদেন্টনা থাবীরমদে, মসি লৈবাক অমগী মপুনা তৌফম থোকপনি। অমেরিকাগী অমেচর এঠলিটশিংদা পীবা সল্লিভান - এৱার্দ অমেচর - এঠলেটিক-য়ুনিয়ননা পীখিদে। জে সী ওৱেনমবু ঙসি ফাওবা ঐখোয়না য়াম্না চাউবা এঠলিট অমা ওইনা ইকায়খুম্নরি, মহাক্না পুন্সিগী লানফম কয়া থেংনরবা মতুং কুমজা ১৯৮০দা লঙস কেন্সরনা নাদুনা লৈখিদে।

মিটর ৪০০গী লমজেলদা অর্কি-ৱিল্লিয়ম্না অমসুং মিটর ৮০০গী লমজেলদা জোন-রুদ্রফনা মকোক ওইদুনা মিটর ১০০দগী মিটর ৮০০ ফাওবদা অমেরিকা মচাশিংনা মকোক ওইরম্মী। ডাক্তর তল্লিবা কানাদাগী কুচু মুবা ফিল এদৱার্দ মিটর ৮০০গী লমজেলদা অহুমশুবদা লাকখি। মসিনা মহাক্কী মঙারকশুবা শেঞ্জেংগী তকমাননি। কুমজা ১৯২৮দা ৪ x মি: ১০০গী রিলেদা মহাক্কী টিমনা অহুমশুবদা লাকখি। কুমজা ১৯৩২গী লোস এঞ্জেলিসতা মিটর ৮০০, মিটর ১৫০০ অমসুং ৪ x মি: ১০০গী রিলেদসু শেঞ্জেংগী মেদল ঙাক্তা ফংখ। মালেমগী মনুংদা ওলিম্পিক্কী ত্রেক-এন্দ-ফিল্ডদা খ্বাইদগী য়াম্না শেঞ্জেংগী মেদল ফংবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি।

গেমস অসিদা চেনখিবা লমজেলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইখিবদি মিটর ১৫০০গী ফাইনেলনি। লমজেল অসিদা হৌখিবা ওলিম্পিক্তা অহানবা মনা লৌখিবদগী মঙাশুবা ফাওবা তাখিবা মীওইশিং মথংশিংনা ইটলিগী Luigi Beccali, গ্রেট বৃটেনগী Jerry Cornes, কানাদাগী Phil Edward, য়ু এস এগী Glen Cunningham, স্বিদেনগী Eric Ny অমসুং তরেৎশুবদা লাকখিবা ন্যুজিলেন্দগী John Lovelock শরুক য়ারম্মী। করম্বা এঠলিটনা মকোক ওইগনি হায়বা মীয়াম্না পাক হায়বা ঙম্নরমদে। মরমদি হৌখিবা চহীদা জোন-লভলোক্না মালেমগী মাইল অমগী রেকোর্দ পায়রিবা Cunningham বু মায়থীবা পীখি। ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ পায়রিবা বেকালিসু হান্নগুম্না য়াঙলম্মী। অদুবু লমজেল হেক থাবগা গ্রেট বৃটেনগী জরী-কোরনেসনা থেবগুম্না মাঙ থাদুনা চেল্লম্মী। মিটর ৫০০ শুরকপদা Cunningham না মহাকপু হেঙ্গৎলম্মী। মহাক্কী মতুংদা ইরিক-নে, লভলোক অমসুং বেকালিনা মরিশুবদা মথংশিংনা চেল্লম্মী। অরোইবগী মিটর ৪০০ হৌরকপদা ইরিক-নেনা Cunningham বু হেঙ্গৎলুবদগী লভলোকনা খোঙজেল কনখৎলক্তুনা মখোয় অনীগী মমাঙ থাদুনা চেল্লম্মী। ইরিক অমসুং লভলোক অনীনা লৈজবী থাদুনা চেন্নবদা ইরিক-নে পন্থুংফম য়ৌবা ঙমখিদে, লভলোক্না Cunningham দগী মিটর ৪ হান্না লমথুংফম য়ৌখি। বেকালিনা অহুমশুবা মনা ফংখি। লভলোক-Cunningham, বেকালি-অর্কি, সান-রোমানি অমসুং ফিল-এদৱার্দনা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ থুগাইরম্মী। লভলোক অমসুং Cunningham না মালেমগী রেকোর্দসু থুগাইখি।

জোন-লভলোক লন্দন সেন্ট-মেরিজদা ডাক্তর তমদুনা লৈবা মহৈরোয়নি। মহাক ওতাগো য়ুনিভর্সিটিদা লৈরিঙৈদা রগবি শান্নরম্মী অমসুং বোক্সিংসু থিন্নরম্মী। ওলিম্পিক হৌবা নুমিৎকী টিম ময়াম মার্চ পাষ্ট চৎপদা মহাক্না ন্যুজিলেন্দ টিমগী ফিরাল পায়দুনা মমাঙদা চৎলম্মী। টিমশিং অদুনা অথোইবা অতিথি ওইরিবা হিটলরনা ফল্লিবা মপা য়ৌরকপদা হৌনবী মতুংইন্না ফিরাল হাইথদুনা মঙোনলোমদা য়েংদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলম্মী (ফ্রান্সকী টিমদি নাজিগী সলাম তৌবদা জর্মনগী ভাবকশিং অদুনা হরাউজরম্মী)। মতম অদুদা ন্যুজিলেন্দগী টিমদি জর্মনিগী চাঞ্চেল্লরদা ইকায়খুম্নবা ইউৎ-উৎলমদে। মখোয়না হিটলরগী মপা য়ৌরকপদা মখোয়গী চরূনা শাবা (Boater) তুপী অদু লৌথোক্লগা অমুক উপশিন্দুনা মমাঙদা চুমদ্রিং য়েংদুনা চৎলম্মী। তৌবদি টিম ময়াম অদুনা মপান্দগী ষ্টেদিয়মদা চঙলকপা মতমদা লভলোকনা মহাক্কী ফিরাল অদু হাইথদুনা পূম্নমক্কী ওইনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়রম্মী।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরবা মতুংদা ডাক্তর জোন-লভলোক অমেরিকা নুপী অমা লুহোংদুনা ন্যু য়োর্কতা লৈরম্মী। কুমজা ১৯৪৯গী দিসেম্বর ২৮দা ন্যু য়োর্ককী সিটিদা ব্রুকলেনগী চর্চ-ষ্ট্রিচ-সবৱে ষ্টেসনগী প্লেটফোর্মদা লেপ্লিঙৈদা ত্রেন তালিদা তুশিন্দুনা ত্রেন্না তক্তুনা খুদক্তা শিখি। জেম-মেকনিস অমসুং অতোপ্পা মীওই খরগী মোত মতুংইন্না লভলোকনা হিটলরবু ইকায়খুম্নবা পীদবা অদুদা জর্মনিগী ভাবক খরা য়াম্না শাউনীংলম্মী। মরম অদুনা মহাক্না য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিবা অদু মখোয়গী খূৎ য়াওই হায়না লৌই।

লমজেল অশাংবদা অমদি ময়ায় ওইরপ শাংবদা ফিনলেন্দ মচাশিংনা মহৌশাগুম্না ওলিম্পিক্কী মিটর ৫০০০, মিটর ১০,০০০ অমসুং মিটর ৩০০০গী ষ্টিপল চেজদা মকোক ওইরম্মী। লৈবাক অসিগী ইলমেন-সালমিনেন, অবভো-অসকোলা অমসুং ভোলমারি-ইশোহোল্লোনা মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা মথংশিংনা মকোক-মথং অমসুং অহুমশুবা মনা ফংখি। ইলমেন-সালমিনেন মিটর ৫০০০গী ফাইনেলদা তুশিন্দুনা মনা অমত্তা ফংবা ঙমহৌদে, তরুকশুবা তাখি। অদুবু মরৈবাক মচা গন্নর-হোর্কটনা ওলিম্পিক্কী অনৌবা রেকোর্দ অমা মিনট ১৪:২২.২ দা থমদুনা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা লাওরি-লেল-টিনেন্টবু মায়থীবা পীদুনা ফিনলেন্দনা সনাগী অমসুং লুপাগী মেদল লৌখি। ভোলমারি-ইশো-হোল্লোনা মিনট ৯:০৩.৮দা চেন্দুনা মিটর ৩০০০গী ষ্টিপল চেজদা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ থমখি। হৌখিবা ওলিম্পিক্তা থৌরম অসিদা মহাকপু লমশাং হেন্না চেলহন্দুনা রেকোর্দ থুগাইবা ঙমখিদে।

মিটর ১১০গী হর্দলসতা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা অমেরিকাগী ফোররেষ্ট-তাওনসনা সেকেন্দ ১৪.২দা চেন্দুনা মকোক ওইখি। মিটর ৪০০গী হর্দলসতসু য়ু এস এগী গ্লেন হারদিননা সেকেন্দ ৫২.৪দা চেন্দুনা সনাগী মেদল লৌখি। মহাকসু মালেমগী রেকোর্দ সেকেন্দ ৫০.৬তা পায়রিবা নুপানি।

মমাঙগী ওলিম্পিক্কী মরাথন চেম্পিয়ন অউন কার্লোস-জুবালা থা অমগী মমাঙদা বর্লিন্দা লাক্তুনা ত্রেনিং তৌরম্মী। অদুবু হন্দক্তি কোরিয়াগী কী-চুঙ-সোহনগী লম্বা লৈরমদে, মহাক্না পুং ২ মিনট ২৯ সেকেন্দ ১৯.২দা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল লৌখি। কুমজা ১৯৩৫দা মহাক্না পুং ২ মিনট ২৬ সেকেন্দ ৪২দা চেন্দুনা মালেমগী রেকোর্দ অমা থমখি। কিলোমিটর ৪২.১৯৫বু পুং ২ মিনট ৩০গী মনুংদা চেনবা ঙম্বা অহানবা নুপানি। মহাক্কী মরুপ সেউঙ-য়োঙ-নাম্না অহুমশুবদা অমদি গ্রেট বৃটেনগী অর্নেষ্ট-হারপরনা অনীশুবা মনা লৌখি। মতম অদুদা কোরিয়া অসি জপানগী লোইলম ওইরম্বা মরম্না কী-চুঙ-সোহনন অমসুং সেউঙ-য়োঙ-নাম জপানগীদমক্তা ওলিম্পিক অদুদা শরুক য়াহল্লম্মী। মশানা পামদনা মখোয় অনীমক জপানিজশিংনা হায়বা ইনবা তারম্মী। জপানিজশিংনা কী-চুঙ-সোহনবু কেইতি-সোন হায়না জপানিজগী মমিংদা ওন্থোক্লম্মী। অসুম্না সেউঙ-য়োঙ-নামগী মমিংবু সোরয়ু-নান হায়না ওন্থোক্লম্মী, থৌওং অসি কোরিয়া মচাশিংদা ইকায়বা পীবনি হায়না লৌই। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।